**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 30-04-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদগী হজ চৎকদবা মীওইশিং মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি ইম্ফালগী ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতগী লমথাখ্রে।

২) মিদিয়া হাউসশিংনা ঈ-পাউশিং নিংথিনা চেক তৌরগা অচুম্বা পাউতমক ফোংবীনবা আই.পি.আর সেক্রেতরি হুংয়ো ৱারশংনা আপীল তৌরি।

৩) মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমিৎ হয়েং পাঙথোক্কনি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

৪) মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী মাস কম্ম্যুনিকেসন দিপার্টমেন্টতা মিদিয়া আর্কাইবস অমদি রিছার্স সেন্তর অমা ঙসি হাংদোকখ্রে।

অমসুং

৫) অসাম, কেরলম, তামিলনাদু, নোংচুপ বেঙ্গল অমসুং পুদুচেরিগী বিধান সভা মীখলগী ভোৎ মশিং মে ৪ দা থীরগনি।

------

হজ (এল) ঃ মণিপুরদগী হজ চৎকদবা মীওইশিং মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি ইম্ফালগী ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতগী লমথাখ্রে। থৌরম অদুদা রাজ্যগী তুরিজম, আর্ট অমসুং কলচর মন্ত্রি খুরাইজম লোকেন, হজ

কমিতি মণিপুরগী চেয়ারমেন অমসুং এম.এল.এশিং শরুক য়াখি।

মণিপুরদগী সাউদি অরাবিয়াগা মাদিনাদা হজ চৎকদবা মনিপুরগী মীতৈ পাঙলশিংদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- খোঙচৎ অদু অশোই অঙাম য়াওদনা লমথুংফম য়ৌবা ওইরসনু। মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিদা পামদবা থৌদোক কয়া থোক্লিবা অসি থোকহন্দনবা হজ লাই খুরুম্বা চৎলিবা মীতৈ পাঙল ইচিন ইনাউশিংনা মপুগী মফমদা থম্মোয় শেংনা থৌনিজদুনা মণিপুরদা শান্তি অমদি তংদু লৈতা হঞ্জিল্লকপা মপুনা পীনবীবা ওইরসনু হায়রি।

দিআইপিআর(এল)ঃ রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স (দি.আই.পি.আর)গী ওফিসিয়েল ফেস বুক পেজ- দি.আই.পি.আর মণিপুর ফেক্ট চ্যেক ঙসি হাংদোকখ্রে।

ফেস বুক পেজ অদু হাংদোক্লদুনা ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স (আই.পি.আর)গী সেক্রেতরি হুংয়ো ৱারশংনা হায়- ফেস বুক পেজ অসি হাংদোকপগী মরমদি সরকারগী ওর্দর, নোতিশ অমদি সার্কুলরশিং নিংথিনা চ্যেক তৌরগা অশেংবা অচুম্বা অদুতমক ফোংদোকবনি। হৌজিক্কি মতমদা হোংলক্লিবা দিজিতেলগী যুগ অসিদা অরানবা পাউ কয়া সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা কয়া থেংনরি। মসি নিংথিনা চ্যেক তৌরগা অচুম্বা অদুতমক ওফিসিয়েল ফেস বুক পেজ অসিদা হাপকনি। সোসিয়েল মিদিয়াদা তোঙান তোঙানবা পাউ, ফোটো অমদি ভিদিওনচিংবা থাগৎলকপশিং মিদিয়া হাউসশিংনা নিংথিনা চ্যেক তৌরগা অচুম্বা পাউতমক ফোংবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা মীয়ামদা লান্না চৎখিগদবদগী থিংবা ঙমগনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দি.আই.পি.আরগী দাইরেক্তর- ডাঃ টি.ঐচ. চরনজিৎনা হায়- সোসিএল মেদিয়াদা তোয়না অরানবা পাউশিং ভাইরেল চৎপা অমসুং মীয়ামদা চম্মনবা পোকহনবা হন্থহন্নবা ফেস বুক পেজ অসি হাংদোকপনি। মসিদা সোসিএল মেদিয়াগী পাউশিং নীংথিনা অচুম অরান

থিদোক্তুনা অশেংবা পাউ খক্তমক থাগৎকনি। ঙসি হৌদোক্লিবা দি.আই.পি.আর. মনিপুর ফেক চ্যেক কৌবা ফেস বুক পেজ অসিদা সোসিএল মেদিয়াগী পাউশিং নীংথিনা অচুম অরান থিদোক্তুনা অশেংবা পাউ খক্তমক থাগৎকনি। মসিনা অরানবা পাউশিংনা মীয়ামদা চম্মনবা পোকহনবা অদু খরমখৈ হন্থহনবা ঙমগনি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা মনিপুর ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্ড স্কিম, মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট ৱেলফিয়ার স্কিম অমসুং মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট পেন্সন স্কিমগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

গোবিনদাস (এল)ঃ গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমগা পল্লেলগী আইমোল কাংলুপকী লুচিংবশিংগা ঙসি উন্নদুনা চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদা খন্নখ্রে। ইম্ফালদা লৈবা মন্ত্রিগী ওফিসতা উন্নখিবা অদুদা শ্রী গোবিনদাসনা পল্লেলগী চাওখৎ থৌরাংশিংদা অহানবা মীৎয়েং চংদুনা থবক পায়খৎলগনি হায়না থাজবা পীখি।

মে ডে (এল)ঃ মালেম শিনবা থুংনা মালেমগী শিন্মীশিংগী পাঙথোক্কনি। থৌরম অসি মণিপুরদসু তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা শিন্দুনা পাঙথোক্কনি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ, মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা য়াওনা লুচিংবা কয়ানা লমদম অসিগী মীয়াম, মরুওইনা শিন্মীশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাাউজেলদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়- শিন্মীশিংনা সমাজ অসিবু অমদি লৈবাক অসিবু চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মখোয়বু ইকায় খুমবা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবা ইথৌদাংনি। শিন্মীশিংগী হক ঙাকা চৎপা হায়বসি শিন্মীশিংগীতা নত্তনা ঐখোয় পুমমক্কী দাইত্বনি। মখোয়বু থবক শুফমদা অশোই অঙাম থোকহন্দনবা হোৎনবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে। শিন্মীশিংগী য়াইফ থৌরাংগীদমক মখোয়গী ওইবা থৌশিল মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা সমাজদা থাক মান্ননা লৈহন্নবা

হোৎনবা অমদি অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবা তাঙাইফদে।

মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা হায়- নুমিৎ অসিনা লাকপদা শিন্মীশিংনা খুনাই অমবু শেমগৎপদা লৌরিবা থৌদাং কয়াবু নৌহৌননা নীংশিংহল্লি। শিন্মীশিংবু ইকায় খুমবা অমদি মান্নবা থাক অমদা পুরকবা হোৎনমিন্নশি। ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিন্দ্না মণিপুরবু চাওখৎ লম্বীদা খুমাং চাওশিনবা লমদম অমা ওইহল্লশি।

এম.এল.এ কোংখাম রোবিন্দ্রোনসু শিন্মীশিংগী নুমিৎনা লাকপদা লমদম অসিগী শিন্মীশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা হায়- শিন্মীশিংনা রাজ্য অসিবু মাঙলোমদা পুখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। শিন্মীশিংগী চোকথবা নাইদ্রবা থৌনানা রাজ্য অসিবু মশক থোকপা লমদম অমা ওইহল্লি।

শিন্মীশিংগী নুমিৎনা লাকপদা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিগী লুচিংবা কে. মেঘচন্দ্রনা লমদম অসিগী শিন্মীশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাকা হায়- শিন্মীশিংগী কৎথোকপা কয়া অদুবু ইকায় খুমবগা লোয়ননা থবক শুফমশিংদা মখোয়বু অশোই অঙাম থোক্তনবা হোৎনমিন্নশি।

য়ুনাইতেদ লেবর ওর্গনাইজেসন, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম খিরেন্না শিন্মীশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা শ্রী খিরেন্না হায়- শিন্মীশিংগী মনুংদা লাইনিং লাইশোলগী খেন্নবা লৈতে। শিন্মীশিংগীদি থবক া লাইনিংনি। খুনাই অমা অওনবা পুরকপদা শিন্মীশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ।

কম্যুনিষ্ট পার্তি ওফ ইন্দিয়া (সি.পি.আই) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনসু শিন ন্মীশিংগী নুমিৎনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

আর্কাইবস (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী মখাদা লৈবা মাস কম্যুনিকেসন দিপার্টমেন্টকী অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইনা য়ুনিভর্সিতি অসিদা নৌনা মিদিয়া আর্কাইবস অমসুং রিছার্স সেন্তর ঙসি ভাইস চান্সেল্লর এন. লোকেন্দ্রনা শঙ্গাখ্রে। থৌরম অদুদা স্কুল ওফ সাইন্সেসকী দিন, প্রোফেসার মেমচা লোইতোংবম, মাস কম্যুনিকেসনগী ঐচ.ও.দি- ডাঃ এন. রোহিনকান্ট য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

মাস কম্যুনিকেসন দিপার্টমেন্টনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা ভাইস চান্সেল্লর এন. লোকেন্দ্রনা হায়- সেন্তর অসিগী মখাদা দিপ্লোমা কোর্সশিং হাংদোকপা য়াওনা রিছার্স প্রোজেক্ট কয়াগী মরুওইবা মফম অমা ওইগনি। লোয়ননা রাজ্য অসিগী সোসিও কলচরেল ওইবা শক্তম অসিবু য়োকখৎপদা সেন্তর অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌগনি।

যোগ (এল)ঃ যোগবু মহৈ মশিং তম্বদা য়াওহনবগী পান্দমদা জিলা থাক্কী যোগ ওলিম্পিয়াদ ২০২৬ ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। জোনেল ইজ্‌কেসন ওফিস ককচিংনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ককচিং জিলাগী ওইনা রাজ্য থাক্কী যোগ ওলিম্পিয়াদতা শরুক য়ানবগীদমক মহৈরোই ১৩ খনগৎলে। রাজ্য থাক্কী ওলিম্পিয়াদ মে ৭ তা পাঙথোক্কনি।

জেদয়ু (এল)ঃ মণিপুরদা আইন কায়না মীতোপ চংশিল্লক্লিবশিং অসি থিংনবা ইং ১৯৫১ দা য়ুম্ফম ওইরগা নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিতিজন (এন.আর.সি) চৎনহন্নবা জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন (অসাম, মণিপুর অমদি নাগালেন্দ)না তকশিল্লক্লি। য়ুনিয়নগী চেরোল অমনা হায়- মপানদগী মীতোপ কয়া আইন কায়না চংশিল্লকপনা মণিপুর অসি অরুবা ফিভম অমদা লৈরি। অথুবদা মীতোপ খন্দোকবা থৌরাং পায়খৎহৌদ্রবদি য়েলহৌমীশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা ওইরগনি। মরম অদুনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীকোক থীবগী থবক অসি মপুং ফানা লোইশিন্দ্রিঙৈদা রাজ্য অসিদা এন.আর.সি চৎনহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

পিদব্লিউদি (এল)ঃ নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপমদা পাঙথোকপা নোংমগী ওইবা জাতি থাক্কী খন্ন-নৈনবা মীফমদা রাজ্যগী পাব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমন্টেকী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখ্রে। চীং লম্বীশিংদা লেন্দ স্লাইদ থোকপদগী ঙাকথোক বা করি করম্বা থৌরাংশিং পায়খৎপা য়াবগে হায়বগী মতাংদা পাঙথোকপা মীফম অদু কেন্দ্রগী রোড ত্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজ মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা হৌদোকখি।

রোড ট্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজ মন্ত্রালয় অমসুং নেসনেল হাইৱেজ অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিতেদ (এন.ঐচ.আই.দি.সি.এল)না মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা পাঙথোকপা খন্ন-নৈনবা মীফম অদুদা সুপরিন্টেন্দিং ইঞ্জিনিয়ার (এন.ঐচ এন্দ এন.ই.সি) অজমিতা সহানি অমসুং একজিক্যুতিভ ইঞ্জিনিয়ার এন.ঐচ-থ্রি নিংথৌজম রেম্বোনা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা চীংগী লমদমশিংদা লম্বীশিং শেম্বদা পায়খৎকদবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মতাংদা কুপা খন্নখি। লোয়ননা লম্বী শেম্বদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদসু মীফম অদুদা পুখৎতুনা খন্নখি।

ই.সি. ঃ অসাম, কেরলম, তামিলনাদু, নোংচুপ বেঙ্গল অমসুং পুদুচেরিগী বিধান সভা মীখলগী ভোৎ মশিং মে ৪ দা থীরগনি। ইলেক্সন কম্মিসন্না হায়-ভোৎ মশিং থিবা য়াওগদবা পার্সনেলশিংগী আইদেন্তিতি কার্দশিং কিড.আর কোদতা য়ুম্ফম ওইরগা শেল্লে। মসি ভোৎ থিফমদা অতোপ্পা মীওইশিং চংশিল্লকপা থিংনবা লৌখৎলকপা খোঙথাংনি।

কিউ.আর কোদতা য়ুম্ফম ওইরগা শেম্বা আইদেন্তিতি কার্দশিং মে ৪ দগী হৌরগা ভোৎ মশিং থিবা লোইদ্রিবা ফাওবা চৎনগনি। কম্মিসন্না হায়- অনৌবা হৌদোক্লিবা আইদেন্তিতি কার্দশিং অদু অহানবা অমসুং অনিসুবা তাঙ্কক অনি থোকা অচুম চুমদা য়েংগনি। রিটর্নিং ওফিসারনা পীবা আইদেন্তিতি কার্দশিং হান্না চ্যেক তৌগনি। মদুগী মতুংদা কাউন্তিং হোলদা চংলমদাইদা কিউ.আর. কোদতা স্কেন তৌগনি। কাডন্তিং হোলদা চংবা য়াবা মীওইশিংদি- রিটর্নিং ওফিসার, এসিষ্টেন্ট রিটর্নিং ওফিসার, কাউন্তিং ষ্টাফ, টেকিকেল ষ্টাফ, মীরেপ অমসুং মীরেপশিংগী এজেন্টশিংনি।

রেলগাড়িঃ রেলৱে মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা ঙসি জম্মু, তাউৱি, রেলৱে ষ্টেসনদগী শ্রীনগর-কত্রা ভন্দে ভারত এক্সপ্রেস লমথাখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী বৈষ্ণোনা হায়- রেলৱে সেক্তরদা হৌখিবা চহি ১২ অসিদা শিংথানিঙাই ওইনা অওনবা পুরকপা ঙমলে। মহাকা হায়- পেসেঞ্জরশিংগী অপান্বা মতুংইন্না ত্রেন অসি হান্না দাবা ৮ লৈরম্বদগী হৌজিক দাবা ২০ দা হেনগৎলে। মসিনা মীয়াম চৎথোক চৎশিনদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

রেলগাড়ি অসি হান্নদি শ্রীনাগর অমসুং শ্রী মাতা বৈসনো দেবী কত্রা ফাওবা চেল্লম্বদু হৌজিক জম্মু তাউৱি ফাওবা চেল্লগনি। মসিগী রিগুলর সার্ভিস লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতগী হৌগনি। অনৌবা খোঙথাং অসিগা লোয়ননা পেসেঞ্জরশিংনা জম্মুদগী শ্রীনাগর ফাওবা চৎপদা পুং ৫ ফাদনা চংলগনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী রাজ্য মন্ত্রি জিতেন্দ্র সিংহ, জম্মু কাশ্মীরগী মুখ্য মন্ত্রি ওমর অবদুল্লা শরুক য়াখি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা ঙসি নিউ দিল্লিদা ইটলিগী ঙাকশেল মন্ত্রি গুইদো ক্রোসেতোগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরী ফগৎহন্নবা ৱারী শান্নখ্রে। উন্নবা অদুদা ঙাকশেলগী লমদা লৈবাক অনিনা হেন্না তেংবাং পীননবা ৱাফমশিং খন্নখি। হৌজিক ওইরিবা সেক্যুরিতিগী ফিভম অসিগী য়েংলগা লমদম লমদম অমসুং মালেমগী ৱাফম কয়াগী মতাংদা লুচিংবা অনিনা ৱারী শান্নরবা য়াই পানরি।

মদুগী মমাংদা, ঙসি ইটলিগী ঙাকশেল মন্ত্রিনা নেসনেল ৱার মেমোরিয়েলদা চত্তুনা লৈ কৎখি অমসুং ইকায় খুমবা উৎখি।

ভিয়েটনাম ঃ ভিয়েটনামগী রাস্ত্রপতি-তু লাম, নুমিৎ হুমনিগী ভারত খোঙচৎতা মথং থাগী ৫ দা ভারত্তা থুংলরগনি। মহাক্কা লোয়ননা অৱাংবা থাক্কী মন্ত্রিশিং অমদি করবারগী লুচিংবশিং লোয়নরক্কনি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমনা হায়- চহি অসিগী এপ্রিলদা রাস্ত্রপতি ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা মতুংদা তু লামনা ভারত্তা লাকপা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। রাষ্ট্রপতি তু লামবু তরামা ওকপগী থৌরম অমা মথং

থাগী ৬ তা রাষ্ট্রপতি ভবনগী ফোর কোর্টতা পাঙথোক্কনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা উন্নদুনা মালেমগী ৱাফম কয়া য়াওনা, লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা ৱারী শান্নগনি।

পিএম ঃ স্কুল কারিবা অঙাংশিংগী মোবাইলশিংদা লেমা রিচার্জ হাপ্লক্কনি হায়না প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকপগী ভিদিও অমা সোসিয়েল মিদিয়াদা শন্দোরক্লিবা অদু অরানবা য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না সরকারনা হায়রি। প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরোগী ফেক চ্যেক য়ুনিতনা হায়- ভিদিও অদু এ.আইনা শেম্বনি অমসুং অরানবনি।

বিক্রম ঃ চাইনাদা লৈবা ভারতকী এম্বেসেদর কে. দোরাই স্বামিগা ভারত লান্মীগী মকোক জেনেরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদিগা উন্নখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা ভারত লান্মীনা হায়- লুচিংবা অনিনা হৌজিক ওইরিবা জিও ষ্ট্রেতেজিক্কী ৱাফমশিং, ভারত অমসুং চাইনাগী মরী ফগৎহন্নবগী মতাংদা ক্পা ৱারী শান্নখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ শামুরৌ মখা লৈকাইদা চত্থরিবা অনিশুবা মাইচৌ শামুরৌ চিংগোং ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা আরিয়ান এফ.সি, ইমা পান্থোইবী অমদি শামুরৌ য়ুনাইতেদ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা আরিয়ন এফ.সিনা সিঙ্গা আইদিয়েল ক্লবপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি। অনিসুবা মেটচতা ইমা পান্থোইবী এফ.সিনা এস.এল.এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা অদুগা অহুমসুবা মেটচতনা শামুরৌ য়ুনাইতেদনা এল.কে.এফ.সিবু পাঞ্জল ৫-২ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ ১৪ শুবা খাগেন্বা ফুটবোল ত্রোফি ২০২৬ কী ক্বাটর ফাইনেল মেটচ হয়েংদগী শান্নবা হৌরগনি। ক্যামগৈ হৈবুং মখোঙদা লৈবা গ্রাউন্দদা চত্থগদবা মেটচশিং অসিগী হয়েং অহানবা ক্বাটর ফাইনেলদা আর.এস.সি থোংজ্ অমদি পি.এফ.এ ৱাংগোই শান্নগনি। অনিসুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতনা সি.ঐচ.এস.এস. ময়াংইম্ফাল অমদি হৈঙাং এফ.সি অনিনা থংনরগনি।

ভোল্লিবোল (এল)ঃ মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী চহিগী ওইবা জেনেরেল বোদি মীফম ঙসি ইম্ফালগী পোলো গ্রাউন্দদা লৈবা এসোসিয়েসনগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা মরুওইনা মথং চহি মরিগী ওইনা নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখি।

টিটি ঃ লন্দনগী কোপর বোক্স এরেনাদা চত্থরিবা আই.টি.টি.এফ ৱার্ল্ড টিম টেবল টেন্নিস চেম্পিয়নসিপকী গ্রুপ সভেন মেটচতা ভারতনা স্লোভাকিয়াবু ৩-২ দা থোইদুনা মাংজিল থারি।

ভারতকী নুপী টিমনা গ্রুপ ষ্টেজগী অরোইবা মেটচতা রৱানদাগা থেংনগনি। ভারতকী নুপা অমসুং নুপীগী টিমনা ঙসি নুমিদাং গ্রুপকী অরোইবা মেটচশিং শান্নগনি।

ক্রিকেট ঃ ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ ক্রিকেটতা রোয়েল চেলেঞ্জর বেঙ্গলুরু অমদি গুজরাত টাইতান্স হৌজিক অহমেদবাদকী নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা শান্নরি।

গুজরাত টাইতান্সনা তোস ঙমদুনা রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলুরুবু হান্না বেত্তিং তৌহল্লি।

------